# না পঙনি তাজদে

## য়োকপদা হিংখিগদ্রা, য়োক্তবনা ফরগদ্রা

হৌজিক ইম্ফালদা নুংথিলদা ফোঙবা পাউচে খরা লৈরবসু মণিপুরগী মরু ওইবা পাউচেশিংদি অয়ূক্তা ফোঙবশিংনা ওইরি। ইমুং অয়াম্বদা নুংতিগী তঙাইফদনা চাকথোঙ গ্যাস (এল পি জি) শিং শীজিন্নরিবনিনা মসিবু মীয়ামদা ফংহল্লিবা এজেন্সীশিংনা হোম দেলিভরিদা ওইরবসু য়েন্দুনা ফংহনগদবা মশীং অমসুং মতম্নচিংবগী পাউসু য়াওবনিনা অয়ূক্কী পাউচেশিংগী সবস্ক্রাইবরশিংনা অয়ূক্তা ফোঙবা পাউচেশিংসি ফমুংদগী হেক হৌগৎলকপগা পানরিবনি। মসিগীদমক হোকরশিংনসু মল্লিঙৈদগী হৌনা মসিগী সবস্ক্রাইবরশিংগী মখূৎতা য়ৌহন্দুনা পাহল্লিবনি। মরম অসিনা অয়ূক য়াহৌরকপদা হায়বদি 'ফুম্মাই' দা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতাশিংনা পাউচে পারিবা মীয়ামগী মিৎকী লৈতেং ওইহনবা চুল্লোই। হাপ্তবা, ফোঙদবা য়াদবা, ফোঙফম থোকপা থৌদোক-ৱাথোকশিং ঈ-পাউশিং মীয়ামগী মিৎ-নাকোং ওইনবা অদুক ফোঙবগী ৱানি। নোংমগী নুমিত্তা উচেক-ৱায়াশিং য়াকাইরক্তুনা চরোইনা তে-তু খোঙলকপা, নুমিৎনা নোংপোক্লোমদগী লিৎখৎলকপা হৌরকপদদা পাউচেশিংগী লমায়শিংদা মীশি-মীনাগী ঈ-পাউ অমসুং উবা-য়েংবদা নুংঙাইতবা ফীভম চাদনা শিবা-শোকপা অমসুং ঈহিং-নাইহিং তাবগী ফোটোনচিংবা হাপ্নদে, ফোঙনদে। জর্নেলিষ্ট (পাউমী) শিংনা ঙাক্না চৎকদবা এঠিক্সতসু য়াওদে, মনুং চন্দে। নোংমগী মতম হৌগৎলকপা 'খূৎলামখাং' দা ফজদবা অমসুং অকনবা ৱাহৈ, ফোটোনচিংবনা পাউচে পারিবা মীওইশিংগী মমায় তাবদৌনা থোকহনবা চুমদে। পারিবশিংগী মনুংদা অহল-লমন অমসুং অখঙ-অহৈ কয়াসু য়াওরিবনি। মখোয়গী মফমদা থকসি-খাসি নাইদবা, থৌগল্লোন খঙদবগী মতৌ উৎলুবা চুমদে। অদুবু ৱাফম অমা হেক হায়বগা, করিনো অমা হেক তৌরকপগা ইকায়খুম্নজরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংসিগী লৱাই লেম্ফুদা বজ্র তাহনবা, লু কোকপদা লেন তাহনবগী ৱা ঙাক নত্তনা মখোয়দা হেক্তা তারক্লিবসিবু করিগীনো, করিদগীনো? মখোয়না মীয়ামগী মীহুৎশিং ওইবনিনা তেকচাক পূন্নমক মখোয়দা হৈথরগা নমশিনফম থোক্তব্রা? মখোয়দা হাকথেংননা তায়নদনা কনাদা তায়নরুগদগে?

অদুবু হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লানসিগী মতাং, য়াদ্রিবা ফ্রী মুভমেন্ট অমসুং আই দি পিশিংগী মতাংদদি মখোয়গী মচিন্দগী হায়বা/ফোঙদোকপা য়াবা ৱাফমশিং হায়খ্রে অমসুং ফোঙদোকখ্রে। তোয়না হায়মল্লক্তনা হঞ্জিনবসু য়াওরে। মান্নরক্তবসু য়াওরে। অদুবু চিন খক্তা কাঙলগা খূৎ য়াওদবনিনা মণিপুরগী ফীভমদি লানফমগী পাউ তাবা লৎখিবা নত্তনা অতৈদি পুমহিং হিংলি। অদুবু লাইনদি য়ারোই কোংগ্রেস এম এল এশিং খরা নত্তনা মশীং য়াম্না চীংমাইদৌনা লৈরিবা ইন্দিপেন্দেন্টগী অম-নি য়াওনা পার্টিশিংগী মীয়ামগী মীহুৎশিংসিগী মচিন্দগী 'মীয়াম্না য়াম্না পেন্দ্রবদি, নুংঙাইত্রবদি অনৌবা মীখল পাঙথোক্লসি, মসি ওইথোরক্লবা ঐখোয় পূন্নমক এম এল এগী ফম থাদোক্তুনা ইলেক্সনগী লম্বী ফাৎলগে, শেন্নগে, 'ফ্রেশ মেন্দেট' অমা লৌরসি হায়বা ৱাফম অমত্তা মখোয়গী চিন্দোন-লৈতোন্দা পক্লক্তুনা মচিনশিংদুদগী থোরক্ত্রিবা করিগীনো? ৱা লোইরে, খজিক-খরাক অমসুং মচিৎ-মখাক্কা অমত্তা লেমহৌদ্রে। পুল্লোই লোইরে। লাইরিক তল্লিবা অদুগা অফবনিসু হায়রিবা মহৈরোয়শিংসিনা তল্লিবা ক্লাসতুগী পাঙথোকফম থোক্লবা এগজামিনেশনদা শরুক য়াবদি কিবা, য়াওনীংদবা, পাস তৌরক্কনি থাজদ্রগবু অফবা মহৈরোয়নি হায়গদ্রা? লাইরিক নীংথিনা পাবা-খঙবা মহৈরোয়নবু মহাক্লা তল্লিবা ক্লাসতুগী মতুংইন্না পাঙথোরকপা মখল পূন্নমক্কী চাংয়েংদবু কোকচাওবী কাফম থোকপ্রো? হৌজিক লৈরিবা মীহুৎশিংসিসুনি। অনৌবা মীখল কিবা, থেংননীংদবা, এম এল এগী ফম্বু তিনফা-কাকফৈনা নপ্লগা য়ান্দুনতা লৈনীংলিবসিবু মীয়ামগী অশেঙবা মীহুৎনি হায়গদ্রো? লৈবাকসিগী অতোপ্পা মফম খরদদি এসেমব্লিগী ওইগেরা, পার্লিয়ামেন্টকী মীখল ওইগেরা মীরেপ অমনা কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা মীখল থেংনবদা অনীমক্তা তুনা মায় পাক্লকপা য়াওবদগী অমদগী রিজাইন তৌনবা য়াওই অমসুং থেংনৈ। ঐখোয় শ্বাইদনা কৈদৌরবা? মীহুৎ অমা ওইবগী ফমদগী নান্থরক্তনবা শিরগে'মখৈ কোয়য়ান য়ান্দুনা লৈ। অদুগা মীহুৎ ওইবগী ৱাহন্থোক, তৌগদবা থবক, লৌগদবা থৌদাংশিং লৌবদি লায়রদনা মশক ফাওবা খঙজদে। খঙনবসু হোৎনদে, হোৎননীংদে। য়াম্না ৱানা লৈমায়দা হৈদোকখিবা অতাঙবা 'গ্লিসরিন' গুস্ববু লশিংনা লুপ্লগা শুমজিন্দুনা লৌবগুম মীহুৎ ওইরকখিবা ঙাক্তা ঙাইবদগী ওইবা জাৎলা? লানগী মৈশা লাংলক্লবা মীয়ামগী পেন্দ্রবা লূপশিংনা ফম থাদোক্লো হায়দুনা থোমজিল্লুবদা 'ঐখোয় লৈত্রবদি মীয়ামগী মপী-মপা লৈররোই, মীয়াম ৱানি' হায়খিবা নৎত্রা? হৌজিক্তি নখোয়বু নশা নথন্তা 'অত্মাঘাট' তৌহঞ্জরক্লে। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিসু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্নক্লে। প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চলাইরকপা থা ৬ ফাজিল্লক্লে। অতোপ্পা থা ৬ অমগী মতমসু শাংদোক্লবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মফি শেন্নক্লে। নখোয় কৈদৌখিগে হায়বনো? অনৌবা লৈঙাক শেন্ননি, শেমহল্লক্লগগনি হায়দুনা মুরুম-মুরুম শোল্লগা কয়াম কুইনা নৈরগা লৈখিগে হায়বনো? নখোয়বু মীহুৎ ওইবদগী তোকহন্নীংবা নত্তে। নবুকচেলবু শেংলদি করিগীদমক মীয়াম্না অমুক হন্না নখূৎ খুজেং পায়দুনা ৱাংলবা মীহুৎকী চৌক্রিদা চিংখৎলগা ফমহল্লক্লোইদৌরিবনো? নুংশিখ্রবা ইমুংগী মীওই অমনা 'মল্টি-ওর্গান ফেলিয়র' ওইরকপদগী য়াওন-য়াতাবা ফাওবা ঙমদনা আই সী য়ুগী অনা-ফমুংদা তাদুনা লৈরে, ডাক্তরনা ক্লিনিকেল্লি শিরে হায়না 'দেঠ সর্টিফিকেট' পীদ্রি হায়রগসু কনখৎলক্লরোইদবনি হায়দুনা মখৌরি মেৎখায়রগা লানবীরসি হায়বা নত্তে। চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা থৌশা ৱাশারক্ত্রিবা সেন্টরগী লুচিংবশিংসি অমুক্তং খংপ্রেক খংহল্লু। য়াদে হায়বা'মা খঙহল্লু হায়বনি। নখোয় লৈত্রগবু পি আরসি শাংদোক-শাংদোক্তুনা চহী ৫ থম্বা য়াগদ্রা? অথুবা মতমদা মীখল শোয়দনা পাঙথোরক্কদবা মরৈরে। মীখল কিরুনু। নখোয়নবু ফরদি হন্না কাজরক্কনি। মীয়ামগী ইহুল খঙনা চৎলু হায়বীবনি।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬১১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)


খোইমা নাপী নারোলনুংদগী। লুমনা থুপনা থাঙলেল খূৎশুনা। ময়ামবা অহল হাওরমহলববু। থবাক লিকশি ঙানফমদা থাংনা য়ানথৎলে। লীকলাং পরেং অচুমবা তৎনা চোইনা কেল। থবাক লিকলাং তৎনা। থৱাই য়াইবী মাংনা শিখিয়ে। অদু নুমিৎতগী নোংয়াই হাওরমতোল য়াঙবা কাইবা। থাংয়াল লম ও। মিংথোল মিংকৌখিয়ে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯱꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥)

ꯈꯣꯏꯃꯥ ꯅꯥꯄꯤ ꯅꯥꯔꯣꯜꯅꯨꯡꯗꯒꯤ॥ ꯂꯨꯝꯅꯥ ꯊꯨꯄꯅꯥ ꯊꯥꯡꯂꯦꯜ ꯈꯨꯠꯁꯨꯅꯥ॥ ꯃꯌꯥꯝꯕꯥ ꯑꯍꯜ ꯍꯥꯎꯔꯝꯍꯜꯕꯕꯨ॥ ꯊꯕꯥꯛ ꯂꯤꯀꯁꯤ ꯉꯥꯟꯐꯝꯗꯥ ꯊꯥꯡꯅꯥ ꯌꯥꯟꯊꯣꯛꯂꯦ॥ ꯂꯤꯀꯂꯥꯡ ꯄꯔꯦꯡ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯇꯧꯅꯥ ꯆꯣꯏꯅꯥ ꯀꯦꯜ॥ ꯊꯕꯥꯛ ꯂꯤꯀꯂꯥꯡ ꯇꯧꯅꯥ॥ ꯊꯋꯥꯏ ꯌꯥꯏꯕꯤ ꯃꯥꯡꯅꯥ ꯁꯤꯈꯤꯌꯦ॥ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯍꯥꯎꯔꯝꯇꯣꯜ ꯌꯥꯡꯕꯥ ꯀꯥꯏꯕꯥ॥ ꯊꯥꯡꯌꯥꯜ ꯂꯝ ꯑꯣ॥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯌꯦ॥ ●

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৩০ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

হৌজিকসু ময়াম্না পাম্না নুংশিনা শোন্নরিবা ঐখোয়গী লীলা 'থৱায়না পূন্সিগীদমক' হায়বা লীলা অদুসু অঙকপনি। অহানবা ফোঙবদদি লীলাদু অদুক য়ৌনা নুংঙাইরক্কনি, মীয়াম্না পাম্নরক্কনি হায়বা থাজদে। লীলাদু ইহান হান্না ফোঙখিবদু ঐ কাউদ্রি। থাঙ্গ সলাম হায়বা মফম অদুগী মান্দব অমদা চেরিটি শো ওইনা শান্নবদা ফোঙখিবা লীলানি। লীলাদু ফোঙবদা ওইখিবা ফীভম অদু কোন্না ফজনা শেমদোক্লগা শান্নবদা খরা খরা ফরকপদগী লীলাদু মমিং চৎপা অমা ওইখিবনি। লীলাদুদা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা চীংলেনসি অনৌবা মশক অমা ওইনা উবা ঙমখি। অহানবদদি মহাক্কী কম্মান্দোগী রোল অসি লাই য়াম নীংবা, মমায়দা চন্দনগা ফজনা থিনবা, ৱা ঙাঙবদা য়াম্না ঈং তপ্পা, মোং হাদবা, মচিন্দা ঙাইহাক লৈতনা 'হরে কৃষ্ণ' হায়না শোনবা অদুগা তৌথোরকপদনা মীনুংশি য়াওদবা অমগী রোল ওইরম্বনি। শো ফনা য়াম শান্নরবসু মহাক মদুগী রোল অদু তাবা শুকঙম ঙমখিদে। শক য়াম তাখৎপা, ৱাঙাঙ কমজাও হুনবা, করেম কথাইনবদগী হেন্দোকউ য়াখিদে। ঐখোয়না লীলাদুদা উৎনীংলিবদি মচিন্দা য়াম্না ফবা শাবা, লাইগা য়াম নীংবা অদুগা তৌথোরকপদনা য়াম্না মীনুংশি লৈতবা লমদমসিগী অঙম-অথৌ, অতৈ অতৈ লৈরিবা কয়াশিংসি satirically উৎনীংখিবনি। মমৈথংদো মানা তামন্দবদগী, ঐখোয়না পামজবা রোলদু থাদোক্লগা তমথীবা অমা ওইনা ওনখিবনি। লীলাদুদা মহাক কম্মান্দো শাবা হায়না মমিং চৎখিবনি। লীলাদুগী রোল পীবদসু মানা মরৈ য়াম্না তৌখি। পুলিস কম্মান্দোদু শানীংদে, অতোপ্পা এদভোকেট শাবা রোল অমা য়াওই মদু ওইনা শাজগে হায়না য়াম্না য়েৎখি। মতমদুদা ঐ ইশামক্লসু কম্মান্দোদু শাবদা নহাক্কী মীংচৎ লৈগনি, শাদবা য়ারোই হায়না নমদনা শাহনখিবনি। মানা পুলিস য়াম্না শানীংদবগী মরমদি, মাগী মশম ককপদু পামদবগীনি। মহাক্কী মশমদু য়াম্না শাংই, অদুগা মাগী তোঙানবা শমহাৎ অমা লৈজৈ, মদুসু য়াম্না পকচবনি। মদু পুলিস শারবদি শমদু শিৎ নান্না কক্তবা য়ারোই হায়বদগী শানীংখিদবনি। লীলাদা কম্মান্দোগী দাঙ্গ্রি শেৎপসু মানা ইহান হানবনি। ঐ ইশামক্তা লোয়ননা চৎলগা পুলিসকী দ্রেশ তুফম অৱাং বি ও সীগী ফেশন টেলর হায়বদুদা তুহনখিবনি। মদুগুম্বা কয়া অদুনা মাগী তোপ তোপ্পা মশক অমসু শাগৎপা ঙমখিবনি। মহাকপু ঐখোয়গী পার্টিদা য়াওহল্লকপদা পুথোকপা ইহান হানবা লীলানি -থৱায়না পূন্সিগীদমক হায়বসি। মসিগী মমাঙদা ঐখোয়না য়াম্না মমিং লৈনা শান্নখিবা লীলাসি, লানপুঙগী পুঙখোল হায়বদুনি। তা ক্ষেত্রি বিরনা কুম্লম্বা রোলদু মঙোন্দা কুমহনবনি। লীলাদু ফনা নীংথিনা চৎখি, ময়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা লীলা অমা ওইখি।

থৱায়না পূন্সিগীদমক হায়বা লীলাদু ময়াম্না নীংশিংবীরমগনি। লালহৌবশিংগী মায়কৈদা লেপ্লগা মখোয়গী থৌদাং কয়া অদুবু শীংথাবা অমদি মখোয়গী ৱাখল্লোন অদুদা সপোর্ট তৌবা লীলা মখল অমনি। মতমদুদা নহারোলশিং অদুবু নমথনবা অঙম্বা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সনা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মদুগী শরুক অমা ওইনা মীবু কিহন-খংহনবা ফূ চৈবদগী হেন্দোক্তুনা য়াম্না তৌহৈদবা কয়া অমসু তৌখি। লালহৌবশিংবু ফারগা য়াম্না তমথীনা ওৎ নৈবা কয়া মশক থোক্লা উৎখি। অমরোমদা লালহৌবশিংনসু মীয়াম্না য়ারি হায়বগী মতাগুম কা হেন্না থবক তৌরকপনা মীয়ামগী পেন্দবসু মখোয়গী মথক্তা লৈতবা নত্তে। শেল খায়বগী মওং, মীবু কিহনবগী নম্ফুদা শেল লৌবগী, য়াদ্রগনা কা হেনবা থৌওং কয়া তৌবগী পেন্নদবা কয়া অমসু মতমদুদা লৈখি। মদুগী রিএক্সনশিং অদু মীচম মীয়াম্না মচিন্না থোক্লা ফোঙনা হায়বা ঙমদবদু লীলাদুনা ময়েক লানা-লানা হায়হল্লি। আর্মি/কম্মান্দো অমদি লালহৌবা নহারোল মায়কৈ অনীমক্তা মীচম মীয়াম্না ফাওরিবা কয়া অদু শেংনা শেংনা ফোঙনা ফোঙনা অকিবা য়াওদনা লীলাদুনা ফোঙদোকই। মীয়াম্নদি য়াম্না পেন্নৈ। অদুবু নাকল অনীদুমক্নদি য়াম্না ৱারৌই। কম্মান্দোনা কয়াম ৱারৌবগে হায়বদুদি মমাঙ মমাঙগী ঐগী ইস্যুদা ফোঙদোকচখ্রে। ঙসিগীসিনা নহারোলশিং অদুনা ৱারৌবদুগী মতাংদনি। মখোয়গী মায়কৈদগী মফম হায়দোক্তবা অমদা কৌরগা ৱারী শাই। ৱারীদু ফজনা শারম্বদগী ধপ মচা-মচাসু তৌরকপা য়াওই। য়াদ্রগদি হায়বা ৱাফম ফাওবা য়ৌরকই। অদুবু য়ানরোইদবা অমত্তদি লৈতে। ৱাখল তানদবদু ফাওদোক্লবা অমা মথৌ তাবগী ৱানি। লীলাদুদা ঐখোয়না নহারোলশিংগী মথক্তা পেন্দদুনা খরা হায়বা দাইলোগতু হায়গনু সিনি। লীলা হায়সিদি মীয়ামদা ফাওরিবা অদু হায়নবগীদমক লীলাদু পুথোক্লিবনি। হায়রোইদবা ওইরদি কৈদৌবগী অদুগী লীলাদু পুথোক্লুগনি। মসি মখোয়না খঙদে, খঙলবসু মীয়াম্না মখোয়বু লান্না খনখিগদবা অদুদি হায়বীগনু সিনি। মরৈ ওইনা তানরক্লবনিনা ঐসু হায়রে, অদুদি মীয়াম্না পামদ্রিবা অদু নখোয়সু তৌগনু। অদু ওইরদি কনানসু কৈসু হায়রোই। নখোয়বু মীচম মীয়াম্না ঈশিংগী শক্লোন লৌদুনা য়োক্লিবনি। মীয়াম লৈবগী নখোয় লৈবা ঙল্লিবনি। ঙসি ফাওবদা মী পূন্নমক্লা নখোয়বু ফোংনা নৎত্রবসু ৱাখল্লোন্দা মতেং পাংদুনা লাক্লি। হৌজিকসু পাংলি। অদুবু নখোয়গী হেনজিনবা এক্সন খরনা মীয়াম্না নখোয়দা থাজবা ৱাৎলক্লি। মসিনা মখা অসুম তাথরবদি অফবগী মহুত্তা ফত্তবা ওইরকপসু য়াই হায়বসি ঐখোয়না লীলাদুগী শরুক অমা ওইনা হায়বনি হায়খি।

ৱাদু হায়নরবনিনা ফজনা হায়নরে। কোন্নথংদদি মখোয়সু ৱাখল তানরক্লে। অদুনা ৱারোইশিন ওইনা য়ারিখৈদি ঐখোয়গী অশোয়বসু শেমদোকচগে, অদুগা ঐখোয়বুসু মীয়াম্না লান্না খনখিগদবা মওংদা লীলাদা পুথোকপীগনু হায়না লোইশিন্নৈ। তশেংবগীদি উনবা ফংদবা, ৱারী শানবা য়াদবশিংসু শুমাং লীলাগী মতেংদগী মীচম মীয়াম্না হায়নীংলিবা কয়া অদু হায়বা ফংবগী তাঞ্জাসু অদুম ফংই। শুমাং লীলানা কান্নরিবা থৌদাংসু মতাং শ্বাইসিদা ময়েক লানা চোংথোরক্লিবা অসিনি। অসুম্না ঐখোয়না শান্নখিবা লীলা কয়াগী মরক্তা ৱাথোকসু লৈখিবা ৱাকাই ওইগেসু তৌখিবা কয়া অমা লৈখি। লানপুঙগী পুঙখোল হায়রিবা লীলা অদুদদি ঐখোয়সু য়াম্না শাথী-শাথীনা অৱাবা তাগে তৌবা য়াম্না য়াওখ্রজৎনি। লীলাদু য়েংলুবদগী লালহৌবা য়াওরকপা য়াম্না লৈবজাৎনি। মদু অমুক পুলিসনা ফারগা ৱাহং পাউহংবদা কম্মাইনা লালহৌবা য়াওরক্লিনো, কনানা য়াওসি হায়না নঙোন্দা হায় হায়না হংবদা হায়দোক্তবদগী পুলিসনা চৈ থার-থারগা হংবদা পাম্বৈ লৈতদুনা হায়দোরকপদা, নরেন্দ্র নিঙোম্বহোয়গী লীলা লানপুঙগী পুঙখোল হায়দু য়েংলুবদগী লালহৌবা য়াওনীংখিবনি হায়না খুন্মী হায়। লীলাদু কয়ারক য়েংই হায়না হংবদা তরারক হেন্না য়েংই হায়না খুন্মী হায়রে। অদুদগী কনাদা চৎলগা হায়নরগা লালহৌবা য়াওরিনো হংবদা, কম্মাইনা য়াওবা য়াগদগে হায়না কোইথি থিরকপদা মীশক অমা (সিমদি হায়ররোই) থেংনবদগী মাগী মতেংদগী লালহৌবা য়াওরকখিবনি। অহানবদদি মোইনসু য়াওগে হায়বা য়ারকখিদে, কোন্নথংদা য়াওবা ফংখিবনি হায়না খুম্বজাৎনি। ৱাফমসি পুলিসনা ঐঙোন্দা নোংমা ৱারী লীরকপনি। নোইগী লীলাদু শাথী নহারোল রিক্রুট তৌবা লীলাগা মান্নরে হায়রকপা য়াওখি। মণিপুরগী শুমাং লীলা হায়বসি কান্নদে হায়বা য়ারোই, হৌজিক্তি মসিগী মহাও ময়াক অসি কয়া চেন্দ্রে, লীলাদা লিৎপা ফুরিৎতো, ইনবা ফিদো, শেৎখিবা ফনেকতো, মদুদা লোনখিবা ময়েক্তো, শিখিবা সনাদো, দিজাইনদো পাম্মী হায়বা সিমদি য়াম্না তোয়না হায়নরে। মসিসু কান্নবা ওইরম্বা য়াই। অদুবু মায়কৈদি ফেশন লোমদা মমায় ওল্লবরা হায়বসি হংনবা ৱাহংদি ওইরে। ●

# দি অলটিমেট সোল্যুশন

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১২৯

**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

মণিপুরদা মতম চূপ্পগী ওইনা ঙসি ঙসি থোক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিনসি হায়রবদি খ্বাইদগী অহানবদা লৌখৎকদবা থবক্তি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংসি ইন্দিয়াগী সিটিজননি হায়না মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা ঐখোয়না ফংফম থোকপা রাইটশিংদু পীবগী মথৌ তৌগদবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা থবক হেক তৌদ্রি ফাওবা ঈরাং অসি খক লোইশিনবা ওইথোক্তে।

অনীশুবদা, ঈরাং অসিবু থোকহল্লকখিবা মরম অদু পুথোক্তুনা মরূ ফংনা মণিপুরগী লৈমায়দগী হুন্দোকখিবা মথৌ তাই ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা। হৌরকফম ওইরিবা মরমদুদি অতৈ কনা নত্তে, মণিপুরগী লৈমায়দা কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) খূৎয়েক পীনদুনা থমজিনবদগীনি। সূদা য়াওরিবা কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিং অসিগী গ্রুপশিং অসিনি মে ৩দগী লেপ্পা লৈতনা মীতৈদা লান্দাদুনা লাক্লিবা। মখোয়সিনি মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ থুগাইরগা মখোয়গী ওইবা য়ুনিয়ন টেরিটরি নৎত্রগা ষ্টেট অমা শেম্নবা হোৎনরিবা। মরম অসিনা মখোয় অসি হেক মণিপুরগী লৈমায়দগী লৌথোক্ত্রি ফাওবদি ঈরাং অসি লোইশিনবা য়ারোই।



অদুবু লাইবক থীবদি, হৌজিক্কী ওইনদি মণিপুরগী য়েলহৌমী মীয়াম্বু অপঙবা শীদুনা থল্লি। নাকল অমরোমদনা সূ গ্রুপশিং অসিবু শেল পীদুনা য়োকখৎতুনা থল্লি অদুগা নাকল অমরোমদনা য়াম্না ঈরাং অসিবু লোইশিনহন্নীংবগী অমদি শান্তি লৈহন্নীংবগী মওংদা ৱারী শানৌ হায়না লাউরি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা। অসিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথম্মোয় শেংদনা থবক তৌবা মণিপুরগী মীয়াম্না খঙদবা নত্তে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কান্নবখক য়েংদুনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংবু ওৎ নৈরি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা। হান্নসু অসুম্না ওৎ নৈদুনা লাক্লিবসিনি চহী ৭৫ হেনবসি পার্ট সী ষ্টেটসতা থম্বীদুনা, য়ুনিয়ন টেরিটরিদা থম্বীদুনা অমদি অফস্পা থমজিন্দুনা।

অসিগুম্বা থৌওংশিং চত্থদুনা অমদি এক্ট অসি থমজিন্দুনা লমদমসিগী য়েলহৌমী কয়া হাৎখ্রে, কয়া অমনা ফেক এনকাউন্টরদা হাৎখ্রে অদুগা লমদম অসিগী নুপীজা ওইবী কয়াগী ঈজৎ মাঙহনখ্রে। ঙসিনা মীয়ামগী মায়োক্তা অমদি মতিক ময়াই অমত্তা য়াওদ্রবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়োক্তা প্রসিদেন্টস রুল থমজিন্দুনা মীয়ামগী দেমোক্রেটিক রাইটশিং মৎপীরি। মসিনি ইন্দিয়াগী মনুংদা নুংঙাইগনি খন্না লৈরুবগী মহয়। থোক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিন্দুনা ৱারিবা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবগী মহুত্তা প্রসিদেন্টস রুল থমজিন্দুনা থোক্লিবা ঈরাং অসি শাংথহন্দুনা থল্লি। প্রসিদেন্টস রুল অসিসু মখা তানা থা ৬ অমুক থমজিন্নবা পার্লিয়ামেন্ট সেশনদা পুথোক্তুনা অয়াবা লৌনবা ঙাইরি পাল্লিবা এন দি এ লৈঙাক্লা।

অহুমশুবদা, সূ লৌথোকখ্রবা মতুংদা তম্পাক্তা অমদি চীংগী শরুক্তগী লাকখিবা খূৎলায়শিং লৌখৎপা মথৌ তাই। মসিগী মতুংদা লো এন্দ ওর্দর পুরকপা ওইথোক্কনি। খূৎতা নোংমৈ পায়দুনা মীয়ামদা কিহন্দুনা লম্বী লমখাঙদা মনীং মখা তম্না পঙচৎতা চৎপা য়াহল্লগা কদাইদগী লো এন্দ ওর্দর লৈহনবা ঙমগদৌরিবনো। তমদদি খূৎশু খূৎলায় অমদি নহারোল ফাগৎপসি নোংমতা লেপ্পা লৈত্রি। প্রসিদেন্টস রুল হেক থমজিনখিবদগী। মণিপুরগী জেলশিং লৈফম্বু লৈরম্লরোই খল্লি। অদুবু চীংগী শরুকশিংদদি কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিং মনীং তম্না চৎলি মখোয়না য়ৌনীং য়ৌনীংবা চীংগী মফমশিংদা। সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা উরসু য়েংশিন্নদনা অদুম চৎহল্লি। অদুগা খূৎশু খূৎলায় ফাগৎপসি অসুক্কী মতিক য়ামদে তম্পাক্তগী ফাগৎলিবশিংগা চাংদম্নরবদি। ইল্লিগেল ওইনা খূৎশু খূৎলায় পায়বা মীওইশিং ফাগৎপসি অসুক্কী মতিক মশীং য়ামদে তম্পাক্লা চাংদম্নবদা। মসি সেন্ত্রেল লৈঙাক্কী অরানবা, মীচং-মীখাই নাইবা থৌওংনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং লেপকদবনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোয়ননা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা থবক লৌখৎকদবনি।

মরিশুবদা, তম্পাক্কী সী এস ওশিংগা কুকি-জো কাঙলূপকী সী এস ওশিংগা ফম্মিন্নদুনা দাইলোগ অমদি দিস্কশন তৌবা মথৌ তাই। মসিমক্তি হৌজিক্কী ওইনদি ওইথোকপা য়াদ্রি করিগী হায়ববু কুকি-জো কাঙলূপকী সী এস ওশিংসি সূদা লৈরিবা কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা নোংমৈ চিংদোলদা থবক খুদিংমক তৌহনবনা। ফীভমসিমক কুকি-জো এম এল এ তরাসিগী মনুংদসু অয়াম্বদি সূ গ্রুপকী নোংমৈ চিংদোলদা থবক তৌরিবনি। মরম অসিনা কুকি-জো কাঙলূপকী সী এস ও অমদি এম এল এশিং অসিনা মনীং তম্না থবক তৌবা ঙম্নবা সূ গ্রুপশিং লৌথোকপা তঙাইফদে। হৌজিক্কী ওইনদি সূ গ্রুপস লৈরিবা কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা লোইনা নোংমৈ চিন্দোলদা থবক তৌহল্লি।

তশেংবগীদি মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমী অমত্তনা কুকি-জো সূ গ্রুপশিং মণিপুরগী লৈমায়দা লৈহনবা পামদে লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক্লসু লৈহনবা পামদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নম্ফুদা মণিপুর মীয়ামগী অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী অপাম্বগী মায়োক্তা থমজিনবনি। মসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লেপকদবনি।

মঙাশুবদা, আই দি পিশিংনা মাগী-মাগী মফমদা হন্দুনা লৈবা য়ানবা মাঙ তাকহনখ্রবা য়ূম-কৈশিং হান্না শেমগৎ শাগৎলগা থম্বীবা মথৌ তাই ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা। মাঙ-তাকখ্রবা য়ূম-কৈ শাদনা মতৌ করম্না আই দি পিশিং রিসেট্টলমেন্ট পীগদৌরিবা। লোয়ননা ময়ূম ময়ূমদা হোংজিনবা ঙমখ্রবা আই দি পিশিং মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীদুনা ঙাক শেনগদবনি। মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীদ্রবদি ঈরাং অমুক থোরকপা য়াই।

তরুকশুবদা, ঙসি ঙসি থোক্লিবা ঈরাং অসিদা মাঙখ্রবা পূন্সি অমদি লন-থুম শিংজিনবীবা হায়বসি ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল লৈঙাক্কী মথৌ ওইগদবনি। পূন্নমক অসি ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল লৈঙাক্কী অশোয়বনা থোকহল্লিবনি। মরম অসিনা মাঙখ্রবা লন-থুম অমদি মাঙখ্রবা পূন্সিগীদমক মতিক চাবা শেনফম পীগদবনি।

তরেৎশুবদা, কম্পেন্সেশন পীবদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী আই দি পি পন্দিটশিংদা পীখিবা অমদি পীরিবা অদুম্না মণিপুরগী আই দি পিশিংদসু পীগদবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অচান-মীরাই নাইবগী থৌওং মীয়াম্না য়ারোইদবনি। কাশ্মীরদগী চেন্থোরকখিবা আই দি পিশিংদা য়ূম-কৈ শাবগী লুপা লাখ ৬.৫দগীনা ৭.৫ ফাওবা পীরগা মণিপুরগী আই দি পিশিংদনা শুপ্নগী লুপা লাখ ৩ খক পীগনি হায়না তাই, মদুসু আই দি পিশিং অসিগী মখূত্তা কয়া য়ৌগদৌরিবা হায়বা ঙমদে ঐখোয়গী থম্মোয় পান্দবা এম এল এশিং অমদি থিকাদারশিং অসিনা। লোয়ননা, আই দি পিশিংগী ইমুং মনুংদা লাইরিক-লাইশু তম্বগী অমদি থবক তৌবগী মতেংসু পীগদবনি জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী আই দি পি পন্দিটশিংগী ইমুংশিংদা পীবা অসিগুম্না।

অরোইবদা, করিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়বু ইন্দিয়ন সিটিজন অমা ওইনা য়েংবা ঙমদ্রবদি ঐখোয় ইন্দিয়াদা য়াওররোই, প্রি-মর্জর ষ্টেটসতা হঞ্জিল্লনি হায়বগী খোঙথাংসি লৌখৎকদবনি আইনগী ওইবা মওংদা। ●